# ঈ পালানিস্বামিবু টামিল নাদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

ঈ কে পালানিস্বামিবু টামিল নাদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা নুমিৎ ১০ নি শুরবা পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা অমা লোইশিনখ্রে। থা অহুমগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর শীনবা হন্দক্লা অহুল্লক শুবনি।



গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওনা মশাগী চহী ৬৩ শুরবা পালানিস্বামিবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। রাজ ভৱনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অতোপ্পা মিনিষ্টর ৩০ সু ৱাশক লৌখি। হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা জে জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা এ আই এ দি এম কে মনুংদা ফম মুন্নরকপদগী অচৌবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়খ্রবা পালানিস্বামিনা ফাইনান্সকী পোর্টফোলিওসু পায়খি। ঙসি ৱাশক লৌখিবা অমসুং মখোয়গী পোর্টফোলিওশিংদি সী শ্রীনিভাসননা ফোরেষ্ট; কে এ সেঙ্গোটায়ননা স্কুল এদ্যুকেসন, য়ুথ ৱেলফ্যের অমসুং স্পোর্টস; কে রাজুনা কোওপরেসন; পি টঙ্গামনিনা ইলেক্ট্রিসিটি, প্রোহিবিসন অমসুং এক্সাইজ; এস পি বেলুমনিনা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি রুরেল দিভলপমেন্ট; দি জয়াকুমারনা ফিশরিজ; সী দি সনমুগমনা লো, কোর্ট অমদি প্রিজন; কে পি অনবাইগাননা হায়র এদ্যুকেসন; ডা. ভি সরোজানা সোসল ৱেলফ্যের; এম সী শমপথনা ইন্দষ্ট্রিজ; কে সী করুপানমনা ইনভাইরোনমেন্ট; কে কামরাজনা ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ; ও এস মানিয়াননা হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল; কে রাধাকৃষ্ণননা হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট; ডা. সী বিজয়া ভাস্করনা হেল্‌থ অমদি ফেমিলি ৱেলফ্যের; দোরাইকানুনা এগ্রিকলচর; কদমবুর রাজুনা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি; আর বি উধয়া কুমারনা রেভিন্যু; এন নটরাজননা টুরিজম; কে সী বিরামনিনা কম্মর্সিএল টেক্সেস; কে টি রাজেন্দ্র বালাজিনা মিল্ক অমদি দাইরি দিভলপমেন্ট; পি বেঞ্জামিননা রুরেল ইন্দষ্ট্রি; ডা. নিরোফর কাফিলনা লেবর; বিজয়া ভাস্করনা ট্রান্সপোর্ট; ডা. পি মনিকান্দননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি; ভি এম রাজালক্ষ্মীনা ট্রাইবেল ৱেলফ্যের; জি বি ভাস্করননা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ; এস রমাচন্দ্রননা হিন্দু রিলিজিয়স এন্দ চেরিটেবল এনদাওমেন্ট; এস বলারমাতিনা বেকৱার্দ ক্লাসেস অমসুং মাইনোরিটি ৱেলফ্যের লোয়ননা পি ভাস্কর রেদ্দিনা এনিমেল হজবেন্দরিনি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা ও পনিরসেলবমনা হায়খ্রে মদুদি, এ আই এ দি এম কেবু ইমুং অমখক্কী মখুৎতা তাহনখিদনবা মখা তানা লাম্হেংনখিগনি।

জেল চঙখ্রবী এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি সসিকালাগী মমিং পনবমক্তি তৌদনা মহাক্লা হায়খি, পার্টি অসিবু ইমুং অমখক্কী মরল-মথুম ওইহন্দনবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিনখিগনি। খোঙজং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা পনিরসেলবমনা হায়খি, মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা লেজিসলেটরশিংগী মতেং লৌরগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লকপদা লৈবাক মীয়াম অঙকপা ফংনা শাউনরে। অচুম্বনা মায় পাকই হায়বা ৱাফম অমা লৈবনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারী ৭ তা পনিরসেলবমনা সসিকালাবু মরাল শীরদুনা হায়খিবনি মদুদি, কনাগুম্বা খরনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী তঙাইফদনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকচরগে হায়বা চেরোল অমা গভর্ণরদা পীশিনখিবনি। অকোনবদা পনিরসেলবমবু এ আই এ দি এম কেগী ট্রেজরর অমদি পার্টিগী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তগী লৌথোকখি।

# সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ট্রিপল টলাককী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেমদুনা ট্রিপল টলাক, নিকাহ হলালা অমদি পোলিগেমিগা মরী লৈনবা পিটিসনশিং হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়রি।



চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা তোঙান-তোঙানবা পিটিসন অহুম হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা চৎনরিবা ট্রিপল টলাককী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌনবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ শেম্বগী ৱাফম ফোঙদোকখি। মার্চ ৩০ দা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌরগনি হায়রি।

জষ্টিশ এন ভি রামানা অমসুং জষ্টিশ দি ভি চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম ওইবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা তরাই-তরাই ৱায়েল পীবা চুমদে। মরম অদুনা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমদা শীন্নদুনা অরোইবা ৱারেপ লৌহনবা মথৌ তাই।

বেঞ্চ অদুনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা মশা-মশাগী ওইবা ফোঙদোক্লিংবা ৱাফমশিং অইবা ওইনা মথংগী হিয়ারিংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখি। তরাই-তরাই লোইশিনবা য়াদবা মরম্না থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতসু কোর্টকী সীটিং লৈগনি হায়রি।

ফেব্রুৱারী ১৪ দা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, ট্রিপল টলাক হায়বসি হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা মরম্না য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকা পূন্না ট্রিপল টলাককী পিটিসন হিয়ারিং চত্থরোই। মে ১১ দা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱায়েল অমা পীরগনি হায়নসু এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

সায়ারা ভানু কৌবা নুপী অমনা ট্রিপল টলাক শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা কোর্টকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। তোঙান-তোঙানবা নুপী কয়ানসু ট্রিপল টলাককী চৎনবী মুখৎহন্নবগী মতাংদা পিটিসন ফাইল তৌরকখি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি মদুদি, নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থম্লোইদবনি হায়বা ৱাফম কন্সটিট্যুসনদা ময়েক শেংনা য়াওবা মরম্না নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্বগী থৌওং য়ানিংদে।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবী সায়ারা ভানু কৌবী নুপী অমনা মুস্লিম পার্সনেল লোগী মখাদা চৎনরিবা ট্রিপল টলাক শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকপদগী মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখিবনি। মপুরোইবনা টলাক হায়বা ৱাহৈ অসি অহুল্লক হায়রগা মশামক্কী লোয়নবীবু তরাই-তরাই খায়নবা য়াবগী থৌওং অসি চৎনহল্লোইদবনি হায়না সায়ারা ভানুনা ৱাকৎলকখি। নিকাহ হলালাগী থৌওংবুসু মহাক্লা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। থৌওং অসিগী মখাদা মুস্লিম নুপী অমনা খায়নরবা মপুরোইবগা অমুক হঞ্জিন্নগে হায়রবদি অতোপ্পা নুপা অমদা মতম খরা ময়ুম পাল্লুগদবনি। নুপানা নুপী লোনবা য়াহল্লিবা পোলিগেমিগী থৌওংবুসু সায়ারা ভানুনা শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌরকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা দিসেম্বর থাদা অলাহবাদ হায় কোর্টনা ট্রিপল টলাকপু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কোর্টনা হায়খি, মুস্লিম পার্সনেল লোগী মখাদা চৎনরিবা থৌওং অসিনা মুস্লিম নুপীশিংগী হক খোঙ্গাওনবা মরম্না চৎনবী অসি খুদক্তা মুখৎপা মথৌ তাই।

অমরোমদা, ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দনা হায়খি মদুদি, লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা চৎনবী অমদা কোর্টনা খুৎ থিংজিনবা চুমদে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খিবনি মদুদি, উত্তর প্রদেশকী এসেম্ব্লি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ট্রিপল টলাককী চৎনবী থিংনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই।

# মথংগী লোক সভা মীখল ফাওবা কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টি চৎমিন্নখিগদৌরি



কানপুর, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খ্রে মদুদি, কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল ফাওবা কোংগ্রেস অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী এল্লাইন্স লৈখিগনি। অতৈ অতোপ্পা সিক্যুলর পার্টিশিংসু কোলিসনদা য়াওরকপা য়াই।

গ্রান্দ এল্লাইন্সতা বহুজন সমাজ পার্টি য়াওবগী ৱাফম লৈব্রা হায়না হংখিবদা মহাক্লা হায়খি, সিক্যুলর পার্টি খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা সেফ্রোন পার্টি মায়থীবা পীনবা হোৎনগনি।

উত্তর প্রদেশতা সিক্যুলরগী মরা তাহনগে হায়রবদি ৱাখল মান্নবা সিক্যুলর পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা সিক্যুলর পার্টিশিং মায়থীবা ফংখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংখি। মীখল অদুদা বি জে পিনা য়ু পিদা সীট ৭৩ ফংখি। অদুবু করিগুম্বা কুমজা ২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক দল অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা মীখল থেংনরবদি বি জে পিনা সীট ১০-১৫ দগী হেন্না ফংবা ঙম্লোই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অজাদনা হায়খি, লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইজরবসু নরেন্দ্র মোদিবু মপুং ফাবা মীশক অমনি হায়না লৌবা য়াদ্রি। মরম অদুনা মফম খুদিংমক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙাঙখিবা ৱাফম অয়াম্বা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

সমাজৱাদি পার্টি-কোংগ্রেস এল্লাইন্সকী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি এল্লাইন্স অসিনা পুম্নমক্তগী মাঙজিল থারি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা উত্তর প্রদেশকী এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা এল্লাইন্স অসিনা য়ামদ্রবদা সীট ২৭৫ ফংদুনা চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবকী লিচিং মখাদা মথংগী গভর্ণমেন্ট শোয়দনা শেমগনি।

এ আই এম আই এমগী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিগী মতাংদা অজাদনা হায়খি, ওৱাইসিনা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংবু নাকপাক তাহন্নবা হোৎনরি। ওৱাইসিনা বি জে পিগী এজেন্ট অমগী শক্লোন লৌদুনা মুস্লিমশিংবু খোইশাউনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

কর্নেলগঞ্জদা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা অজাদনা হায়খি মদুদি, ওৱাইসিনা এ আই এম আই এমগী মিং শীজিন্নরগা নাকোয়ননা বি জে পিগী ভোট খোম্বা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি, অখিলেশ যাদবকী মখুরা শিবপাল যাদবনা হায়খিবনি মদুদি, হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসেম্ব্লি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা অনৌবা পার্টি অমা শেম্বগী ৱাফম লৈররোই। মমাঙদা মহাক্লা এসেম্ব্লিগী মীখল হেক লোইবগা অনৌবা পার্টি অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ইটাৱাহ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ চে পীশিল্লুরবা মতুংদা শিবপালনা অনৌবা পার্টি শেম্বগী ৱাফম লৈরোই হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

# লুহোংবদা শেল কা হেন্না শীজিন্নবা য়াহন্দনবা বিল লোক সভাদা পুথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

লুহোংবদা শেল কা হেন্না চঙহন্দনবগী মতাংদা বিল অমা লোক সভাদা ঙসি পুখৎখ্রে।



কোংগ্রেসকী এম পি রঞ্জিৎ রঞ্জননা পুথোকখিবা দ মেরিএজেস (কম্পলসরি রেজিষ্ট্রেসন এন্দ প্রিভেন্সন ওফ ৱেষ্টফুল এক্সপেন্দিচর) বিল, ২০১৬ কী মতুংইন্না লুহোংবগী থৌরম অমদা চেবাউ পীদুনা শরুক য়াহনগদবা মীগী মশীং অকক্লবা চাংদা লৈহনগদৌরি। কনাগুম্বনা লুপা লাখ ৫ দগী হেন্না লুহোংবদা চাদিং তৌগে হায়রবদি শেনফম অদুগী চাদা ১০ লায়রবা ইমুংগী নুপীমচাশিং লুহোংবদা মতেং পাংগদবনি হায়বা ৱাফমসু বিল অদুদা য়াওরম্মী। লোক সভাগী মীফমদা বিল অসি প্রাইভেট মেম্বর বিল ওইনা খন্নরবা য়াই হায়রি।

রঞ্জিৎ রঞ্জননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মরম চাদনা লুহোংবদা শেল কা হেন্না চঙহনবগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা বিল অসি পুখৎপনি। লুহোংবগী থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদা মতৌ-মনাও ওইগদৌরিবা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা অচেৎপা লীপুন অমা পূন্নবগীদমক লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরম পাঙথোকপখক নৎতনা কান্নবদা মীওই কয়া কৌদুনা চাবা-থকপদা শেল কয়া অরেম্বদা চাদিং তৌরি। মরম অদুনা লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপদা ইনাকখুনবশিংগা মান্নহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

ইচম চম্না লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরম পাঙথোকহনবগা লোয়ননা কান্নদবদা শেল কা হেন্না চঙহন্দনবগী পান্দমদা বিল অসি পুখৎখিবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বিল অসিগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা লাখ ৫ দগী হেন্না লুহোংবদা চাদিং তৌগে হায়রবদি শেনফম অদুগী চাদা ১০ ৱেলফ্যের ফন্দ অমদা কথোক্তুনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংগী নুপীমচাশিং লুহোংবদা মতেং পাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

মহাক্লা হায়খি, বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ট ওল্লবা মতুংদা লুহোংবগী থৌরম খুদিংমক নুমিৎ ৬০গী মনুংদা তঙাইফদনা রেজিষ্টর তৌদবা য়াররোই। গভর্ণমেন্টনা লুহোংবগী থৌরমদা শরুক য়াগদবা মরী-মতা অমদি মরূপ-মপাংগী অকক্লবা মশীং লেপ্পগা লোয়ননা মীয়ামদা পীজ-পীথক তৌগদবা মথেল-লুকোইশিংগী চাংসু লেপ্পগনি। মতৌ অসুম্না কান্নদবদা শেল কা হেন্না চাদিং তৌবগী থৌওং থিংবা ঙম্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌজিক-হৌজিক বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী এম পি অমসুং এম এল এ ওইরিবা মীওই চাদা ৭২ না চহী অমগী মমাঙদা ফাইল তৌখিবা ইনকম টেক্স রিটর্নসতা মখোয়-মখোয়গী চহীগী ওইবা ইনকম লুপা লাখ ১০ য়ৌদে হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি লো মেকর ৪,৮৪৮গী এফিদেবিটশিং নৈনবদা খঙবা ঙমখিবনি।

# অনৌবা প্রাইভেট এয়রলাইন ‘জূম এয়র’ ওপরেট তৌবা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

জূম এয়র কৌবা ইন্দিয়াগী অনৌবা প্রাইভেট এয়রলাইন অমা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী ওপরেট তৌবা হৌখ্রে।

এয়রলাইন অসিগী কম্মর্সিএল সার্ভিস হৌদোকপদা ন্যু দিল্লিদগী দুর্গাপুরদা তারম্লগা কোলকাটা ফাওবা পাইখি।

রিজনেল এয়রলাইন অসি লৈবাক্কী এভিএসন সেক্টরদা চঙলকপা ১২শুবা ওপরেসনেল দোমেষ্টিক কেরিয়রনি।

ফেব্রুৱারী ৩ দা এয়রলাইন অসিনা দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসনদগী অয়াবা লৌখিবগা লোয়ননা ঙরাংদগী ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা হৌখিবনি। জেক্সস এয়র সার্ভিসেসনা প্রমোট তৌবা কেরিয়র অসিনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা দিল্লিদগী অমৃটসর, সুরট অমদি ভাবনগর ফাওবা ফ্লাইট সার্ভিস তৌগদৌরি।

জূম এয়রগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং চীফ একজিক্যুটিব ওফিসর কেস্তব মোহনধরনা হায়খি, অতেনবা মতমগী মনুংদা বিজয়াৱাদা, টিরুপটি, রাঞ্চি অমসুং চান্দিগরনচিংবা মফমদা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহনবগা লোয়ননা দোমেষ্টিক কম্মর্সিএল সার্ভিসতা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি।

এপ্রিল থা ফাওবদা এয়রলাইন অসিগী এয়রক্রাফট ৫ থমদুনা টিরুপটি, বিজয়াৱাদা, মুম্বাই, শিল্লোং, আইজোল, পাসিঘাট, অলাহবাদ, গোরখপুর, ইন্দোর অমদি ভোপালদা নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা থৌরাং তৌরি।

অথুবা মতমদা স্কাইৱান এফ জেট ঈ এয়রক্রাফট খরা জূম এয়রনা লৌশিনবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা জূম এয়রনা দি জি সী এদগী সেদ্যুল্ড ওপরেটর পর্মিট ফংখিবগা লোয়ননা ঙরাংদগী ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা হৌখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক এয়র ইন্দিয়া, জেট এয়রৱেজ, ভিষ্টারা, ইন্দিগো, স্পাইসজেট, গো এয়র অমদি এয়র এসিয়া ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফ্লাইট সার্ভিস তৌরিবনি।

জূম এয়রগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং সী ঈ ও কোস্তব মোহনধরনা হায়খি, অতোপ্পা এয়রলাইনশিংনা মপুং ফানা সার্ভিস তৌবা ঙমদ্রিবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা জূম এয়রগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি।

# সসিকালানা জেলদা ইচম চম্বা ফাদোক অমগুম অহিং লেনখি

বেঙ্গলুরু, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

অরানবা মওংদা য়াম্লবা লন-থুম লেপশিল্লম্মী হায়বগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা চৈরাক পীখ্রবা এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি ভি কে সসিকালানা জেলগী কা মনুংদা ইচম চম্বা ফাদোক অমগুম অহিং লেনখ্রে।



এজেন্সীগী পাউনা হায়, প্রিজনর নম্বর ৯২৩৪ ওইরিবী সসিকালানা জেলগী লৈমায়দা ইচম চম্বা ফাদোক অমগুম হিপ্পুনা অহিং লেনখি। মশাগী চহী ৬১ শুরবী এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী অসিদা জেলগী ওঠোরিটিশিংনা ভি আই পি ট্রিটমেন্ট পীখিদে। পারাপানা আগ্রাহারা সেন্ট্রেল জেলদা শুপ্পগী ফেন অমা, মোন অমা অমসুং মোনপাক ফীদক অমখক পীরগা মহাকপু জেলগী লৈমায়দা হিপহনখি হায়রি।

সসিকালানা জেলগী কেম্পস মনুংদা হেক চঙখিবগা শারি অহুম অমসুং ব্লাউজ অহুম পীখি। মহাক্লা জেলদা লৈরিঙৈ মনুংদা নুমিৎ খুদিংগী কেন্দল নৎত্রগা ধুপ শাগদবনি। মদুগীদমক নোংমদা লুপা ৫০ ফংগনি হায়রি। শেঙ্গা-থুমজাগী মরাল লৈরে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা সসিকালানা ঙরাংদগী হৌনা চহী মরিগী মীয়াৎ তাদুনা জেলদা চঙখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, সসিকালানা পারাপানা আগ্রাহারা সেন্ট্রেল জেলদা চঙলবা মতুংদা হকচাংগী ফীভমদা য়ুম্ফম ওইরগা খ্বাইদগী ফবা কা পীবীনবা জজদা হায়জখি। অদুবু অয়াবা ফংখিদে।

কুমজা ২০১৪ দসু সসিকালানা হায়রিবা জেল অসিমক্তদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী জে জয়াললিতাগা লোয়ননা চয়োল অহুম লৈরমখি। কুমজা ১৯৯০গী পরিংদা মশাগী শেন্থোক্লা চান্নদবা মওংদা য়াম্লবা লন-থুম পৈশিল্লম্মী হায়বগী মরালদা মখোয় অনীবু কৈশুমশঙদা থমখিবনি।

অরানবা মওংদা য়াম্লবা লন-থুম লেপশিল্লম্মী হায়বগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রবা এ আই এ দি এম কেগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি ভি কে সসিকালানা ঙরাং বেঙ্গলুরুগী পারাপানা আগ্রাহারা জেলদা সরেন্দর তৌখিবনি। বেঙ্গলুরুগী জেলদা লাকখিবদা সসিকালাগী মপুরোইবা এম নটরাজনসু য়াওরকখি।

সসিকালানা সরেন্দর তৌবগা মরী লৈননা ট্রাইএল কোর্টসু জেলদা হোংজিল্লকখি। জেল চৎপগী লম্বীদা সসিকালানা লৈখিদ্রবা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতাগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্লা চেন্নাইদগী বেঙ্গলুরু ফাওবা গাড়ী তোংদুনা চৎখি।

লুপা ক্রোর ৬৬ অরানবা মওংদা লেপশিনখি হায়বগী মরালদা সুপ্রিম কোর্টনা সসিকালাবু চহী ৪ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

সরেন্দর তৌদ্রিঙৈদা সসিকালানা ঈ কে পালানিস্বামিবু এ আই এ দি এম কে লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মমাকনুপা দিনাকারনবু পার্টিগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি খনখি।

সসিকালাগী উকিলনা সরেন্দর তৌনবগী মতম খরা পীবীনবা হায়জখিবদা এপেক্স কোর্টনা য়াখিদে। বেঙ্গলুরু মায়কৈ পাঙদ্রিঙৈদা মহাক্লা পার্টিগী এম এল এশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা এ আই এ দি এম কে মচেৎ তাহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, করিগুম্বা ঐহাক্লা জেল চঙখিবা তারবসু ঐহাক্কী থম্মোয়দি মীয়াম মরক্তা অদুমক লৈখিগনি। এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি অমা ওইনা তৌফম থোকপা ইথৌ পাঙথোক্কনি।

গভর্ণর সী ঐচ বিদ্যাসাগর রাওনা পালানিস্বামিবু গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী অয়াবা পীদবগী মতাংদা সসিকালানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি, ঐহাকপু জেলদা থম্লবসু ঐগী ৱাখলদি জেলদা খক থম্বা ঙম্লোই। লৈনিংবা মফমদা লৈরবসু পুং ২৪ চুপ্পা পার্টিগীদমক মরুওইবা থৌদাং লৌখিগনি। বেঙ্গলুরু মায়কৈ পাঙদ্রিঙৈদা মহাক্লা এক্টিং চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমবু পার্টিদগী তাম্থোকখিবগা লোয়ননা ঈ পালানিস্বামিবু এ আই এ দি এম কে লেজিসলেচর পার্টিগী অনৌবা লীদর খনখি।

টৈংগাম্লোং/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3644/03/02-02/03

/ WANTED (URGENT)

A trained Rhymes teacher (Qualification Graduate) and a Hindi Graduate teacher.
☎: 9612358190 / 9862712342

Sd/- Shilleima English Academy
Wangoi Imphal West

HL-P/0551/17&18

/ WANTED


TAANTHADA CADIO WORKOUT ওফিসকী রিসিপসন অনী (২), হেল্পর অমা (১) লৌজগনি। পান্দীবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা কন্টেক নম্বর অসিদা কোল তৌবীরকউ।

Salary : Negotiable (Class XII Pass)
Date 17 to 18 ফাওবা বাইও দাতা পীশিনবীয়ু।
Interview : 19/02/2017

T.C.W. OFFICE
Paona Bazar Y Building Imphal
3rd Floor, Near Axis Bank
☎ 7005602363 / 7628049789

HL-P/0971/17&18

/য়েৎ থংবা খোংগী খুকউ অসি তিংথোক তিংশিন তৌরগা চৎপা ঙমদবা, খুৎশাশিং ফাজিনবগুম তৌবা, তাং তাং চিকপা, পুক নাবা, থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাঙ নাবা ফহনবগী ওজাবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাং অসি মতম কুইনা নাদুনা য়েৎ থংবা খোংগী খুকউ অসি তিংথোক তিংশিন তৌরগা চৎপা ইঙম ঙমদবা, খুৎশাশিং ইফা-ফাজিল্লগা খোঙসে হেক্তা পায়বা ঙমদবা, তাং তাং চিকপা, পুক নাবা, পুক য়েকপা, পুক নাবদগী থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাঙ নাবা, মসলশিং চিকপা নাবা, কোক ঙাওবা, চাবা থকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎8414825323, 9615256612 দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai.

থাগৎচরিবা : S. Narendra Singh
Khongjom Bazar

HL-P/0144/12/02-13/03